# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 29-06-2026)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৯-০৬-২০২৬, নোংমাইজিং)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) নোনে জিলাদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী ইম্ফাল জিরিবাম নেসনেল হায়রে-৩৭ গী মফম কয়াদা চীং নিংখাইবদগী গারি চথোক চৎশিন তৌবা য়াদ্রে।

২) লৈবাক অসিদা পোকপদগী চহী ৩ ফাওবগী মনুংদা লৈবা পীক্লিবা অঙাংশিংগী হকশেলগী থবক থৌরমশিং মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা পান্দমদা কেন্দ্রনা ঙসি সমগ্রা সিসু বাল স্বাস্তিয়া কর্য়াক্রম হৌদোক্লগনি।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সিচেলসকী রাস্ত্রপতি পেত্রিক হার্মেনিগা ভিক্তোরিয়াদা উন্নদুনা মীহুৎ কাংবুগী থাক্তা ৱারি শান্নখ্রে।

----

**নোং (এল)ঃ** নোনে জিলাদা হৌখিবা অহিংদগী নোং লেপ্তুনা চুবদগী মফম কয়াদা চীং নিংখাইবগী থৌদোকশিং থোক্লে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমী অগুই কামৈনা হায়- নোং লেপ্তুনা চুবদগী ইম্ফাল জিরিবাম নেসনেল হায়ৱে-৩৭ গী মফম কয়াদা চীং নিংখাইবনা মরম ওইদুনা লম্বী অসিদা গারি চখোক চৎশিন তৌবা য়াদ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা ইম্ফাল্লোমদগী লাকপা অমসুং ইম্ফাল্লোমদা চৎখিগদবা গারি কয়ামরুম পন্দুনা লৈরে হায়রি। জিলা অদুদা চেল্লিবা মরুওইবা তুরেলশিংগী ঈমাই কা হেন্না ৱাংলে।

ইন্দিয়া মেট বিভাগ রিজনেল সেন্তর ইম্ফালগী পাউ মতুং ইন্না লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমি অসিদা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা অখাক অরাউগা লোয়ননা নোং চুরবা য়াই হায়রি। তামেংলোং, উখ্রুল অমসুং কামজোং জিলাগী মফম কয়াদা হয়েং নোং কন্না চুগনি। লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোনে, উখ্রুল, সেনাপতি অমসুং তামেংলোং জিলাগী মফম খরদা নোং কন্না চুগনি হায়রি।

**অসামঃ** অরুনাচল প্রদেশতা নোং কা হেন্না চুবদগী অসামগী দেমাজি জিলদা ঈশিং ঈচাওগী ফিভম লুশিল্লক্লি। অরুনাচল প্রদেশ অমসুং অসামগী তাইনবা মফমশিংদা নোং কন্না চুবদগী চীংদগী হৌরকফম ওইরিবা তুরেলশিংগী ঈমাই কা হেন্না ৱাংলকপদগী জোনাই, সাইমেন, চাপোরি অমসুং দিমাউগী মফম কয়া ঈশিং থুমজিল্লে। অসামগী মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিস্বা শর্মনা হায়-দেমাজি জিলাদা ঈশিং কা হেন্না চাউরক্লিবা অদুগী ফিভম কুপা য়েংশিল্লি।

মরক অসিদা, ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল বিভাগনা সিক্কিম য়াওনা সব-হিমালয়ন ৱেষ্ট বেঙ্গল, অসাম অমসুং মেঘালয়গী মফম কয়াদা নোং কন্না চুগনি হায়না রেদ এলর্ট লাউথোকখ্রে। খা নোংচুপতগী হৌরকপা কুমগী নোং অৱাং থংবা অরাবিয়ন সি, গুজরাট, মধ্য প্রদেশ, ছতিসগর, ঝরখন্দ অমসুং বিহারগী শরুক লোমদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমি অসিদা য়ৌশিল্লক্লগনি। বিভাগ

অসিনা হায়-নোংপোক ভারত অমসুং খা ভারতকী মফম কয়াদা হয়েং ফাওবদা অকনবা নোং চুগনি।

**হেলথঃ** লৈবাক অসিদা পোকপদা ঙাইরিবা অঙাংশিং অমসুং পীক্লিবা অঙাংশিংগী হকশেলগী থবক থৌরমশিং মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা পান্দমদা কেন্দ্রনা ঙসি সমগ্রা সিসু বাল স্বাস্তিয়া কর্য়াক্রম হৌদোক্লগনি। কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুন্বাল মন্ত্রি জে.পি.নদ্দানা নিউ দেল্লিগী বিগ্যান ভবনদা পাঙথোকপা ১৬ শুবা সেন্ত্রেল কাউন্সিল ওফ হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়রগী মীফমদা থৌরাং অসি হৌদোক্কনি। থৌরাং অসি হৌদোকপনা পোকপদগীনা থা ৩৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা সরকারনা মগুন লৈবা হকশেলগী খুদোংচাবশিং ফংহন্নবগী পান্দম অদু হেন্না চেৎশিলহল্লগনি হায়রি।

সমগ্রা সিসু বাল স্বাস্তিয়া কর্য়াক্রম অসি কম্ম্যুনিতিদা বেজ তৌবা ফ্লেকশিপ প্রোগ্রাম অনি- হোম বেজ নিউ বোর্ন কেয়র অমসুং হোম বেজ কেয়র ফোর য়ং চাইল্ড অনি অসি পুনশিল্লগা শেন্বা প্রোগ্রামনি। প্রোগ্রাম অসিনা আসাশিং, এ.এন.এমশিং, কম্ম্যুনিতি হেলথ ওফিসর অমদি অঙ্গনৱাতি ৱার্করশিংনা য়ুমথোং য়ুমথোং চংদুনা অঙাংশিং অশোই অঙাম থোকহন্দনবগী থৌরাং হেন্না কনশিলহল্লগনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সিচেলসকী রাস্ত্রপতি পেত্রিক হার্মেনিগা ভিক্তোরিয়াদা উন্নদুনা মীহুৎ কাংবুগী থাক্তা ৱারি শান্নখ্রে। মীহুৎ কাংবুগী থাক্তা ৱারি শান্নবা লোইরবা মতুংদা পাঙথোকপা অপুনবা পাউগী মীফম অমদা শ্রী মোদিনা হায়-ভারতকী মংলানদি ভারত মহাসাগরবু খুদোংচাবা কয়া পীবা মহাসাগর অমা ওইহনবা হায়বসিনি। মহাকা হায়-মীফম অদুদা লুচিংবা অনিনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা মতেং পীনবা অমদি লমদম লমদমগী ওইবা অমসুং মালেমগী ওইবা হীরম কয়াদা পুন্না থবক পায়খৎমিন্নবা হায়না য়ান্নখি। শ্রী মোদিনা

হায়-দিজিতেল পব্লিক ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা ভারতনা মাই পাক্লিবা অসি সিচেলসতসু মাই পাকা পায়খৎনবা হোৎনগনি। লৈবাক অনিনা কোল কার্থনাগী লমদা অনৌবা খুদোংচাবা কয়া ফংনবা থিদোক্কনি। মসিগী মথক্তা লৈবাক অনিগী মরক্তা কন্নেক্তিবিতি ফগৎহন্নবা থবক পায়খৎকনি।

পাউগী মীফম অদুদা ৱা ঙাংবদা সিচেলসকী রাস্ত্রপতি পেত্রিক হার্মেনিনা হায়-ভারত মহাসাগর লমদমদা মেরিতাইম সেক্যুরিতি অসি লৈবাক অনিগী মরুওইবা মরী ওইবতা নত্তনা পাইরেসি, দ্রগ লল্লোনবা, আইন কাইনা ঙা ফাবা অমসুং ঙমখৈ লান্না চত্থরকপা হিংশাশিং থিংনবা অমত্তা ওইনা ৱারেপ লৌরে।

তুংদা, প্রধান মন্ত্রিনা সিচেলসকী নেসনেল এশেমব্লিদা ৱা ঙাংখি।

ভিক্তোরিয়াদা পাঙথোকপা লৈবাক অদুগী নেসনেল ডেগী গোল্ডন জ্বিলি থৌরম য়াওবা লাকখিবা মাউরিসিয়সকী প্রধান মন্ত্রি নবিন চন্দ্র রাম গুলমগা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা উন্নখি। উন্নবা অদুদা, ভারত অমসুং মাউরিসিয়সনা হৌজিক মতেং পীনরিবশিং অদুগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি। মদুগী মথক্তা ভারতনা পীরিবা স্পিসিয়েল ইকোনোমিক পেকেজ চৎনহনবদা কয়া য়ামা খুমাং চাউশিল্লবগে হায়বগী মতাংদসু ৱাফমশিং খন্নখি।

**অমিত ঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ঙরাং গুজরাটকী গান্ধিনগরদা পি.এম. ফেমিলি কেয়ার ত্রেক্করগী পাইলোত প্রোজেক্ট হৌদোকখ্রে। অপুনবা দিজিতেল প্লেটফোর্ম অসিনা হকশেল, মচি ওইবা চিঞ্জাক অমসুং চহী ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীরোনবী নুপীমচাশিংগী মহৈ মশিং তম্বগী থৌরাংশিং, মখোয় মখোয়গী পোকপগী রেজিস্ত্রেসন নম্বর নত্রগা অভা আই.দিগী খুত্থাংদা শমহনগনি। থৌওং অসিনা তোঙান তোঙানবা সরকারগী প্লেটফোর্মশিং মরী লৈন্নহনগনি অমসুং ভেক্সিনেসন, মালন্যুত্রিসন, স্কুল এনরোলমেন্ট অমদি দ্রোপ আউটকী চাং য়াওনা মরুওইবা হিরম কয়াদা য়েংশিনগনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সাহনা হায়- হৌখিবা চহি ১২ অসিদা লৈবাক অসিগী অনা লায়েংগী লমদা চাউনা অওনবা পুরকপা ঙমলে। মহাকা হায়- সরকারনা স্কিমশিং শেম্বা খক নত্তনা মদুগী কান্নবা দরকার লৈবা মীওই খুদিংমক্তা য়ৌহনবা ঙল্লিব্রা হায়বদুসু য়েংশিল্লি। মহাকা হায়- পি.এম. ফেমিলি কেয়ার ত্রেকর দাস বোর্দকী মতেংনা সরকারগী স্কিমশিংগী কান্নবশিং খঙহনগনি অমসুং মদু মীরোনবী নুপীশিং অমদি চহি ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা ফংহনগনি।

**ফিফাঃ** ফিফা ৱার্ল্ড কপকী নোক আউট স্তেজকী ঙসি নোংয়াই মতুংদা শান্নখিবা মেটচ অমদা কনাদানা সাউথ আফ্রিকাবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইদুনা ক্বাতর ফাইনেল চংখ্রে। ঙসি নুমিদাং পুং ১০ মখায়দা ব্রজিলগা জপানগা শান্নগনি। হয়েং অয়ুক পুং ২ তাবা মতমদা জমর্নিগা পেরাগুৱেগা শান্নগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নেসনেল হায়ৱেদা ফ্রি মুভমেন্ট লৈহন্নবা কোতুনা দিমান্দ তৌরকপা, এন.পি.এফকী লুচিংবশিংনা গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহবু উন্নরুবগী ৱাফম অমদি নোংসুমদা ষ্টেট ফোর্স থমবা মুখ্য মন্ত্রিনা থাজবা পীরকপগী পাউনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

নেসনেল হায়ৱেদা ফ্রি মুভমেন্ট লৈহন্নবা কোতুনা দিমান্দ তৌবগী পাউ অসি- পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইনশিং তৌদুনা অহানবা লামাইদা ফোঙনরি। সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরীদা- নেসনেল হায়ৱেদা ফ্রি মুভমেন্ট লৈহন্নবা কোতুনা দিমান্দ তৌরি, কোতু মেদিকেল টিম হায়না থারগা য়ু পুরল্লে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। হুইয়েন লানপাউদনা- কাংপোকপী ফাওরিবা

এন.ঐচ-টু অমদি ষ্টেট হায়ৰেশিংদা চথরকপা ব্লোকেটকী মায়োক্তা কোতুনা পুং ৪৮ গী অলতিমেতম পীরক্লে, নাগা এম.এল.এ অনিনদি কোতুগী অলতিমেতম ওফিসিয়েল ওইনা ফংদ্রি অমসুং মীচম ৬ হাৎপদা চেন্নবশিং ফারবদি খোঙজং হন্দোকখিনি ফোঙদোরক্লে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ইল্লিভেতেদ কোরিদোর মশক উরবা য়ানা লৈরে হায়না- সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরী অমসুং ইংলিস এদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চিফ মিনিষ্টরনা নোংসুম চীংথক্তা ষ্টেট ফোর্স থমগনি হায়রকখ্রে হায়বা পাউ- পিপলস ক্রোনিকলদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- নহারোলগী থৌদাং, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং মনিপুরী এদিসনদসু অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি।

নাগালেন্দগী চিফ মিনিষ্টর নৈফিউ রিও য়াওনা পার্তি অসিগী লুচিংবা খরনা গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহগা উন্নখিবগী পাউ অসি- পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইনশিং তৌদুনা ফোঙনরি। পাউ অসি- পোকফমদনা, কুকি মিলিতেন্টশিংগা ছু তৌনরুবদুনা মণিপুরগী ইরাং অসি ওইহল্লকপনি হায়না অৱাংবৌ নিউমাইনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

হুইয়েন লানপাডদা- ফ্লাইটকী অতোংমল ৱাংখৎলকপগী মথক্তা সার্ভিস লেপ্পকপনা পেসেঞ্জরশিংদা খম থেংনা খুচোং চাহনদ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

থাদৌ ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসননা কুকি জো কাউন্সিলগী ৱাফম য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি হায়না- মণিপুরদা মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ষ্টেটকী থাক্তা ইম্ম্যুইজেসন প্রোগ্রাম লোঞ্চ তৌখ্রে হায়বা পাউনা পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি- অয়াম্বা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙবা থেংনরি।

গানফিউ মেলদা- য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলনা মণিপুরগী ওইরিবা ফিভম অসিদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মীৎয়েং চংহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোং তাইমসতা- নাগা মীচম ৬ তমথিনা হাৎখিবা অদুগী অচুম্বা ৰায়েল ফংহন্নবা য়ু.এন.সি অমদি নাগা লুচিংবশিংনা নিউ দেল্লিদা পাউমীশিং উন্নখিবগী পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

--**পাউ লোইজরে**--